থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# য়েংসি- ২০১৭ কয়াম তমথীরকপা

ঙরাংগী থম্মোয় পাউদমগী মিংথোল ওইনা শীজিন্নজখিবা 'লৈসু লৈতবা চহী' হায়বদুদা মরুপ অমনা য়ানিংদবা ফোঙলকই- চহীদু লৈতেদি হায়রগা, অরোইবা নুমীৎনি হায়রিবদি করিগীনো? লৈতবা চহী অমবু হৌবা-লোইবা নাইবরা? অসিনচিংবা কয়াসু শমথরকপা য়াই, মরৈ ওইনা য়েৎনগেবু হায়রদি। লাই লৈ/লৈতে হায়বগী মরৈসিবু লোইবা খন্বা নাইবরা? থাজবা অমগী মখাদা হিংনরিবা ঙাক্তনি। অল্লাহ, ঈশ্বর, গোদ অমত্তনি হায়রসু হিন্দু-মুস্লিম-খৃষ্টিয়ান অমত্তনি হায়বদি য়ানসি হায়বা য়াদেদনা! মরুপ্তুগা ঐ মরৈ য়েৎনখিদে। য়ানদবা, মান্নদবা হায়বদু লৈবনা মালেমসিদা অসুক নীংথিজবা তাইবং অমা লৈরম্লিবনি। মশক ইশক ৱাখল মান্নদবনা নুংশিনবা মরুপ ওইরিবনি। ঐ খঙই- ঙসিগী পাউদমসি পারগা মান্নদবা ইবানিগী ৱাখলদু হেন্না লাপথোক্লরকপসু য়াই, ঙসিদই অমত্তা ওইখিবসু য়াই।

ঙসিসু তল্লি ঐ- শুক্লৈ লৈতবা চহী ২০১৭ কৌবা অমগী মপাউ অমা। 'শুক্লৈ লৈতবা চহী' হায়বা ৱাহৈ অসিদনি মরুপ্তুখক্তা নত্তে, পাউদম অসি পাবীরিবা কয়া অমগী থম্মোয়দসু য়ানিংদবা ফাওরমনি। ৱারমসিমত্তং হান্না শেংদো-ক্লহৌদ্রবদি তম্লুরিবা ঈপাউসে পাবীরোইদ্রা খন্দুনা শেংদোকচবনি-কোরৌ নোংমা, চয়োল অমা, থাবুম অমা, চহী অমা... অসিনচিংবসি মীওইবগী ৱাখলনা শেমগৎপা, 'মতম' কৌবা শক্নাইদবা পোৎশক্তুগী তোঙান তোঙানবা শক্লোন কয়ানি। অদুবু, করম্বা ৱাখল লৈবা কনানা 'মতম'গী চপ চাবা মশক তাকপা ঙম্বগে? মতম-কৈদৌঙৈ হৌখিবগে? লোইগদবা কৈদৌঙৈ? মালেম লৈমা শেল্লকখিবা নুমীৎতুনা মতম মাগীসু অহৌবরা? মালেমদা মী লৈরমদ্রবা, মতমগী কন্সেপ্ত লৈরম্লোই। মালেমসিনা লোইবদা মীওইবসু য়াওখিনি। অদুবু মতম মাদি লোইবা নাইরোই। মতমগীদি অহৌবা লৈতে, অরোইবসু লৈতে। যিশু খৃষ্টনা থুপখ্রবা মতুং চহী মরি লৈরগা 'অমা' হায়না থীবা হৌখিবদুনা ২০১৭ শুবা মশীং




ওইদৌরিবা চহীসিগী ৮৮ শুবা নুমীৎতুদা মীতৈ হায়বা ফুরুপতুগীদি ৩৪১৫ শুবা চহী হৌগদৌরিবনি। ২০১৭ শুবা মশীংগী জন্যুৱারি কৌবা থাসিগী অহানবা নুমীৎ (ঙসি) সি, মালিয়াফম পালচাবু নীংশিংলগা কুমশিং থীরক্লিবা মখোয়গীদি ৩৪১৪ শুবা চহীগী ৱাকচিং থাগী হুম্নিশুবা নুমীৎনি। অদুবু, করম্বা মফমদা অসিগুম্বা চহীগী অসিগুম্বা থাচৎনি হায়বা খঙনবা খুদম চাংদম থেৎপগে? মসিদি মীওইবা ঐখোয়গী ৱাখলতনা শেমগৎপনি, ৱাখলতনা উগদবনি- ঙসি করি নুমীৎনো? করম্বা চহীগী কয়াশুবা থাজৎনো? মরম অসি লৈবননি 'লৈতবা চহী' কৌজরিবা ঐহাক্লা। লৈ খন্না তরাম্না ওক্কে থৌরাংজরিবা, অনৌবা অফবা থবক কয়া তৌগে নীংজরিবা, পোজিটিব ওইবা ৱাখল কয়া শাগৎলিবা মখোয় কয়াদুগী থৌরাং, থৌরম অমদি ৱাখলশিংদুবুসু মতম চুপ্পদা শৌগৎলি। ৱাখলগী শক্তম হায়বসিসু 'সিনা মরোইরে/'সিনা মচুল্লে হায়বা য়াবরা? ঙরাং কৌবা মতমদুসু, হয়েং কৌবা কোরৌদুসু তশেংনা লৈবা অমত্তা নত্তে, ঐখোয়গী ৱাখলদতনি লৈরিবা। তশেংনা লৈরিবা মতমদি হৌজিক কৌবা মতমসিনি, ঙসি কৌবা কোরৌসিনি। অদোমনা ফরে খনবদু হৌজিক হেক্তা তৌবীয়ু, হৌজিক হেক্তা হায়বীয়ু। মরম অসি খঙবননি, ইপা-ইপুনা হায়রল্লিবা ঙসি শিনি পাউচেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে।

ফত্তববু ইশরুক ওইনা লৌশিনবা পাম্বা মীসিবু তাইবংদা কনা লৈরমগদগে? ইহাকথক অপাম্বদু ফংখিদ্রবসু ইচা হাক্তক্তা ফংনবা পাম্মুবা খঙদা শেম্নরিবনি মচা-মশু। ইশা মীনায় ওইরবসু ইচাদি মপু ওইহন্নিংই। অদুবু, ঐগী ইচাবুনা মী ওইনবা শেম্লগা মীগী মচাবুনা মীনায় ওইহনবা পাম্বা ৱাখল, মী অয়াম্বদা লৈনবদু থাদোক্লবনি ৱাহায় অসি শেম্লম্লিবনি... মীচা শিশনু নীংলগা ইচা শিবনি...। ঐ ইশাগী ইরন্নাই ৱারীনা অমনি। অরিবা চহীবু বিদায় পীবা, অনৌবা চহীবুনা তরাম্না ওকপগী চৎনবী অমা হৌদোক্লত্তুনা 'অতোপ্পগীদমক য়াইফনবা, নুংঙাইনবা থবক মখুৎমক্লা তৌদ্রবসু, ৱাখলদুদা মীগীদমক য়াইফ থৌজাল নীবিবগী ইথিল অমা পোকহল্লিবা' অদুগীদমক্তি- অসিগুম্বা চৎনবী হৌদোক্লল্লিবা মহাক্তুবুদি থাগৎলি। করম্বা নিংথৌনা/করম্বা মীশক্লা ইহান হান্না 'অনৌবা চহী হৌবগী হরাও তয়াম ফোঙদোকপা হৌখিবগে হায়বসি কনামত্তনা হায়বা ঙমদ্রবসু, থৌরম অসি খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ চহী ২০০০ মুক্কী মমাঙ অদুৱাইদা মেসোপোটামিয়া (ঙসিগী ইরাক) তা ইহানা হান্না পাঙথোক্লখি হায়না লাইরিকশিংদা ইরম্বা থেংনৈ। মতমদুদদি চহী অমা হায়বসি থা তরা তরানা শারম্মী। মালেম (পৃথিবী) অসিগী অকোয়বদা চৎপগী খোঙচৎ অমদি থানা মালেম কোয়বা, মালেমনা খুংগুম উংবনচিংবা মহৌশাগী মতৌসিগা চহীগা মরী লৈনরমদে। মতমসু জুলিয়ান ক্যালেন্দরগী মার্চ/এপ্রিল অসিৱাইদা তারম্মী। খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী 'রোম'গী লৈঙাকপশিংনা চহী অমগী 'তোঙান তোঙানবা থা'শিংগী মিং থোল্লকপদা 'জানুস' হায়বা লাইদুগী মমিং লৌদুনা 'জন্যুৱারি' থোনখি। অনৌবা অমা হৌবগী সনথোঙ ঙাকপা লাইনি হায়দুনা, মাগী মমিং পকপা থাসিবু চহী অমগী অহানবা থা ওইহনখি। অহানবা থাগী অহানবা নুমীৎ অদুবু অনৌবা চহী হৌবা নুমীৎ (ন্যু ইয়ার্স দে) হায়দুনা মেসোপোটামিয়াগী চৎনবী অদু মতৌ তমদুনা পাঙথোক্লরকখিবনি থাজনৈ।

ময়াম্না তরাম্না ওক্লিবা চহী ২০১৭ দা য়াওরি নুমীৎ ৩৬৫। পুংশিংদা য়েংলগা পুং ৮৭৬০। মিনিট মশীংদা হায়রগা মিনিট ৫,২৫,৬০০। মী'কুপ ৩,১৫,৩৬,০০০। য়াম্লবা মিনিট অমদি সেকেন্দ মশীং অসি ইশাগী ওইনা, মীয়ামগী ওইনা কয়া য়াম্না শীজিন্নগে খনবীবা? অদুবু নৎত্রা 'তাইম মেনেজমেন্ট' হায়বদুবো? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদনা করম্বা মীরেপকী মিনিট কয়া সেকেন্দ কয়া কাইথোকপীদৌরি? মহাক্না পীরক্কদৌরিবা অদোমগী ভোট অমগী মমলদু সেকেন্দ কয়াগী মমলনো পাথোকপীয়ু অমুক্তা। লেমহৌরিবা মীকুপশিংদুগী মমলদি করম লেপতৌরি? মীখলদা মায় পাক্লত্তুনা মিনিষ্টর ওইনি মঙ-মঙলিবা অমদি এম এল এ ওইদৌরিবা মখোয়দি অঙ্ক খোৎপা লোইখ্রবনি। ক্রোর কয়া হৈদোক্লগা কদায়দগী ক্রোর কয়া খোমগৎসিগে! য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদনা পীরক্কদবা চৈথেং, হোংহল্লক্কদবা পুন্সি শক্তম, মখোয় নোংমত্তা নীংশিংদে। য়েংসি- ২০১৭ না ঐখোয়বু কয়াম তমথীনা ওৎলকপা!

লৌশিং পুক্কৈ

# গ্লোকোমানা মরম ওইরদুনা মীৎ উহল্লক্তবা

লোন্না থুপ্পা মীৎকী উবা ঙম্বগী মতীক-ময়ায় পুন্নমক তপ্পা তপ্পা হুরানখিবা মীশক অমা ওইনা লৌবা য়ারবা গ্লোকোমানা মরম ওইরদুনা মালেমদা মীৎ উদবা মীগী মশিং অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লে।

মীৎ তাঙহনবগী মতাংদা মালেমগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ওইরিবা লায়না অসিগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা ৱর্ল্ড গ্লোকোমা এসোসিএসন অমসুং ৱর্ল্ড গ্লোকোমা পেসেন্ট এসোসিএসন্না চহী খুদিংগী মার্চ ৬ তগী ১২ ফাওবা ৱর্ল্ড গ্লোকোমা ৱিক হায়না থৌরম পাঙথোক্লি।

মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা মীৎ চেক তৌহন্নবা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা গ্লোকোমাগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

হৌজিকমক্কী ওইনা গ্লোকোমা লায়েংনবা পাম্বৈ লৈত্রি। অদুবু মতম চানা খঙহৌরবদি লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলগা মীৎ উদবগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী। তপ্পা তপ্পা মীৎকী ওপ্টিক নর্ভতা অমাঙ-অতা থোক্লকপগী থৌওংবু গ্লোকোমা হায়না খঙনৈ। মতম চানা লায়েংহৌদবা তারবদি কনাগুম্বা মীওই অমবু গ্লোকোমানা মরম ওইরদুনা মীৎ পুমতাঙ তাঙহল্লকপা য়াই।

মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা মীৎকী প্রেসর খঙহেন হেনগৎল-কপদগী গ্লোকোমা ওইরকই। মসিনা মালেমগী ওইনা মীৎ তাঙহনবগী মতাংদা অনীশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি অহুমশুবদা লৈরি।

পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং য়াওনা চহী মতাং খুদিংমক্কী মীওইদা গ্লোকোমা নারকপা য়াই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা চহী য়াম্লবা মীওইশিংদনা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবগী চাং ৱাংই। হৌগৎলকপদা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবগা লোয়ননা চৈনাখোলসু ফাওদবা মরম্না গ্লোকোমাবু মীৎকী উবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় তপ্পা তপ্পা হুরানখিবা সাইলেন্ট থিফ হায়নসু খঙনৈ।



তোঙান তোঙানবা মখল কয়ামরুম লৈবা তারবসু চাউরাক্লা মখল অনী শুই হায়না লৌনৈ। ওপন-এঙ্গল হায়বা অমগা ক্লোগ-এঙ্গল নৎত্রগা এঙ্গল ক্লোজর হায়বা অমগনি। ওপন-এঙ্গল গ্লোকোমাগী লায়ওংদি মীৎকী অকক্লবা শরুক মচেৎ অমা উবা ঙমদবা মরম্না পোৎ অমবু মপুম ওইনা উবা ঙমদবগী থৌওংনি। এঙ্গল ক্লোজর গ্লোকোমাগী লায়ওংনা মীৎতা চৈনাখোল ফাওরকপা, কোক চীকপা, কোক ঙাওবা, ওবা, ময়েক শেংনা উবা ঙমদবা অমসুং মৈঙালদা য়েংবদা মদুগী অকোয়বদা অরংবা পোৎশক অমা লৈবগুম উহনবগী থৌওং অসিনচিংবনি। হৌজিক ফাওবা লায়না অসি লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদ্রি। গ্লোকোমানা মরম ওইরদুনা মীৎ উখিদ্রবা মীওই অমবু অমুক হন্না মীৎ উহন্নবগী পাম্বৈ লৈত্রি। চাং নাইনা মীৎ চেক তৌবা হায়বসি নত্তনা ঙাকথোক্লবগী অতৈ অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে। মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মীওইশিং অমসুং গ্লোকোমাগী হিষ্ট্রি লৈবা ইমুংগী মীওইশিংনা য়ামদ্রবদা চহী খুদিংগী অমুরক মীৎ চেক তৌবা তঙাইফদে। মরমদি হৌগৎলকপদা খঙদোক্লগা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা হায়বসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈ অমত্তা লৈতে।

পুন্নমক অসিগী য়েংলুরগা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা ৱর্ল্ড গ্লোকোমা এসোসিএসননা ৱর্ল্ড গ্লোকোমা পেসেন্ট এসোসিএসনগা খুৎশম্নরগা মার্চ ৬ তগী ১২ ফাওবা চহী খুদিংগী ৱর্ল্ড গ্লোকোমা ৱিক পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়াম্বু গ্লোকোমাগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা মীৎ চেক তৌথোকহন্নবগী মতাংদনি।

হকচাংদা থোইদোকপা অনা-অয়েক পীরক্তবা মরম্না মীৎকী মতাংদা মীওই অয়াম্বনা চেকশিন্নদে। মীৎকী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনদবা মরম্না কুমজা ২০৫০ গী অদুৱাইদদি মালেমদা মীওই বিলিয়ন অমরোম মীৎ তাঙহল্লকপা য়াই হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা ব্রাইয়ন হোলদা ভিজন ইনষ্টিট্যুটকী প্রোফেসার কোবিন নাইদুনা হায়খি, কুমজা ২০৫০ গী অদুৱাইদা মীওই বিলিয়ন ৫ রোম মাইয়োপিক ওইরকপদগী মীৎ তাঙবা য়ানা লৈরে। মালেমদা হৌজিক মীওই বিলিয়ন অনীরোম মাইয়োপিয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মাইয়োপিয়া হায়বসি অথাপ্পদা লৈবা পোৎশক ময়েক শেংবা উবা ঙমদবগী থৌওংবুনি। ইষ্ট এসিয়াদা মাইয়োপিয়াগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা সিঙ্গাপোর, চাইনা, টাইৱান, হোং কোং, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াদা স্কুল তম্লিবা অঙাং চাদা ৮০ দগী চাদা ৯০ ফাওবা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনচিংবা নোংচুপ লৈবাকশিংদসু হৌখিবা চহী ৩০ গী মনুংদা মাইয়োপিয়াগী চাং ৱাংখৎলক্লে। কুমজা ১৯৯৯ মাইয়োপিয়ানা নাবগী চাং চাদা ২৫ ওইরম্বদগী কুমজা ২০০৪ দদি চাদা ৪২ য়ৌরকখি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা নত্তনা লায়না অসি ফহনবা ঙমদে। লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী অঙাংশিংবু য়ামদ্রবদা পুং ২ রোম মপানদা, নৎত্রগা লম্হাংদা চেন-চোংদুনা শান্নহনগদবনি। মতম শাংনা অঙাংশিংবু টেব্লেট, মোবাইল ফোন, ইলেক্ট্রোনিক গেম, টেলিভিজন অমদি অতৈ ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং শীজিন্নহল্লোইদবনি।

# রুরেল এঞ্জিনিয়ারিংগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা কুমজা ২০১৭ গী ৱাল কেলেন্দর অমদি টেবল কেলেন্দর ঙসি রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা ফোঙখ্রে।

সেক্রেটরিএটতা লৈবা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজকী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী ওফিই চেম্বরদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী কেলেন্দর অমদি টেবল কেলেন্দর অদু ফোঙখিবনি।

মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভলপমেন্ট এজেন্সী হৌজিক্লা রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট হায়না খঙনরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী কেলেন্দর অদু ফোঙবগী থৌরমদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজকী সেক্রেটরি সুমন সিংহ, রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়ার বাবুচান্দ অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, এম এস আর আর দি এগী মখাদা ভিলেজ কন্নেক্টিভিটিগী থবকশিং পায়খৎলি। মীশিং ২৫০ গী মথক্তা লৈবা খুঙ্গংশিংগী লম্বী ফাওনহন্নবা লম্বী শেম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরকখি। পি এম জি এস ৱাইগী থবক্তা মণিপুরনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা বেষ্ট পাফোর্মিং ষ্টেট ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

লম্বী-থোংগী ফীভম ফঙাৎহন্নবা অমদি খুঙ্গংশিংগী লম্বী ফাওনহন্নবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি। লম্বী-থোং শেম্বগী থবক কয়া হৌখিবা চহী কয়াদগী দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎতুনা লাক্লি। মীশিং ২৫০ দগী হেন্না লৈরবা খুঙ্গংশিং লম্বী-থোং শম্নহন্নবা থৌরাং মখাদা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলকখিবনি। লম্বী-থোং লৈরমদবা মফম কয়াদা নৌনা লম্বী-থোং শেম্বা কয়াসু লৈখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ময়াই কাবা চীঙ্গাক মুখৎনবগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদমসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থিনুঙ্গৈ খোংনাং লৈরক কম্যুনিটি হোলদা থিনুঙ্গৈ ময়ায় মমাঙ লৈকায় মৈরা পায়বী লূপকা কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা কাদা হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন নেপ্রম ওংবী বিমোলা, কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আর কে লৈমা, থিনুঙ্গৈ ময়ায় লৈকায় মৈরা পায়বীগী থৌ পুবী কোন্সম ওংবী অঙৌবী অমদি থিনুঙ্গৈ মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম ওংবী লৈবাকলৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়ো অমদি সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা ৱাঙাঙলোয় ওইখি।

ঐচ প্রিয়োনা হায়খি, ঙসিগী মণিপুরগী ফীভম অসি হীরম কয়াদা য়েংলুবদা য়াম্না লুবা ফীভম অমদা লৈরি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা থাকপনা মশীং হেঞ্জিল্লক্তুনা নোংম-নোংমগী তুংগী মীরোল কয়া মাঙশিল্লক্লে। মতাং অসিদা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মরম ওইরগা খাঙুথক্তা মাঙখিদনবা ৱাখল তামিন্বনা চঙই। কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুর ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুং ঐখোয়গী মীয়াম পাক-শন্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল খুদিংমক মরাং কায়না শীজিন্নবা হৌরক্লিবা অসিদা ঐখোয় অসুম্না লৈথোকপা চুন্লোই। মতিং মথৌনা লৈবা মণিপুর খুন্নাইনা য়ুরোপ লৈবাক্তা ফাওবা লমদম অসিগী পোত্থোক মরাং কায়না লল্লোনবা চৎলম্বগী ৱারী-শিংবুল হৌরক্লিবা চারোল-শুরোলদা তাবীদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা খুদোংচাদবশিং অদুদগী ঙাকথোক্লবা ফিরেপ লৌমিন্নবা চঙই।

দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম, সেক্রেটরি জেনরেল কাদানা হায়খি, কাদানা করিগী লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং থিংলিবনো, মসিনা কাদাগী কান্নবা করিসু লৈতে। তৌবতবু ঐখোয় লমদম অসিদা পোকচবা মীওই কাঙলুপ ওইবনা লৈবাক মীয়ামদা কান্নগদবা করিগুম্বা থবক খরা তৌরমসি হায়দুনা ৱাখল মান্নবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী অমাঙবশিং খঙলবা কয়াগা পুল্লগা খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি। কুমজা ২০০৬ তগী কাদানা অমদি মসিগী মমাঙদা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তুগী কনহৌনবা কয়ারক হোৎনরকখ্রে। মসিদা লমদম অসিগী মীয়াম মীকপ থোক্তুনা খোঙজং অসিদা শরুক য়ামিন্নদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদবা ইরমদম মণিপুর অমা ওইহনবা য়ারবনি। অদুবু খন্ন-নৈনবদমক পাঙথোকমিন্নবা য়াওবীবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তি হনখিবগা অদুমক শীজিন্নবা মণিফুর গভর্ণমেন্টনসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মতমদা নাথৈদুনা লৈবনা মতম শাংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ইস্যু মায়োক্লরি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা গভর্ণমেন্টনা খুদক্তী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরুফংনা মুখৎনবা ফোঙদোকখি। কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা খন্ন-নৈনবা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/3534/10/12-09/01




COMMITTED TO TAXPAYER SERVICES

পূক্লিং চঙউ !!

রেজিদেন্ট ইন্দিয়নশিং অমসুং মপান্দগী হল্লক্লিবা নন-রেজিদেন্ট ইন্দিয়নশিং

- লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ (স্পেসিফাইদ বেঙ্ক নোটশিং নৎত্রগা এস বি এনশিং হায়না পল্লিবা) গী দিনোমিনেসনশিংদা হৌজিক লৈরিবা বেঙ্কনোটশিংগী সেরিজ তারিখ **৮.১১.২০১৬** দা লিগেল টেন্দরগী কেরেক্টর লৌথোকখিবগী মতুং তারকপদা দ স্পেসিফাইদ বেঙ্ক নোটস (সেসেসন ওফ লাইএবিলিটিজ) ওর্দিনান্স, ২০১৬ চৎননবা হৌনবী মতুংইন্না লাউথোক্লে। ওর্দিনান্স অসি তারিখ **৩১.১২.২০১৬** তগী চৎনরে।
- ওর্দিনান্স অসিগী প্রোভিজনশিংগা মরী লৈননা, তারিখ **৩০.১২.২০১৬** তা গেজেট ওফ ইন্দিয়া : এক্সত্রাওর্দিনারি ভাইদ নম্বর এস. ও. ৪২৫১ (ঈ) দা ফোংখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স (দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনোমিক এফেয়ার্স) কী নোটিফিকেসন অসিনা তারিখ **৯.১১.২০১৬** তগী তারিখ **৩০.১২.২০১৬** ফাওবা লৈবাক অসিগী মপানদা লৈখিবা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংবু প্রিস্ক্রাইব তৌবা মওংদা অমসুং প্রিস্ক্রাইব তৌবা কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না দিপোজিট তৌবা য়াহল্লি।
- রেজিদেন্ট ইন্দিয়নশিংগী ওইনদি, মসিগী খুদোংচাবা অসি তারিখ **৩১.৩.২০১৭** ফাওবদমক পীরি। অদুম ওইনমক, নন-রেজিদেন্ট ইন্দিয়নশিংগী ওইনদি অরোইবা তারিখ **৩০.৬.২০১৭** নি।
- এফ ঈ এম এ প্রোভিজনশিং (তোঙানবা এফ ঈ এম এ প্রোভিজনশিং নেপাল অমসুং ভুতানদা এপ্লাই তৌই) গী মতুংইন্না মীওই অমদা অয়াবা পীরিবা খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফমসি লুপা ২৫,০০০/-নি।
- পেসেঞ্জরশিংনা ইন্দিয়াদা থুংবদা কষ্টমসতা সবমিট তৌগদবা তঙাইফদনা চঙবা ফোর্মদুগী কোপি অদু **www.cbec.gov.in.** দা ফংগনি।
- মথক্কী হিরম অসিগীদমক্তা আর বি আইগী ইস্যু ওফিসশিংদা দিপোজিট তৌবা মতমদা এস বি এনশিংগা লোয়ননা সবমিট তৌগদবা দিক্লারেসন অমসুং ষ্টেটমেন্টশিং অদু আর বি আইনা তোঙান্না লাউথোক্লগনি। ইন্দিয়াদা থুংলবা মতমদা, পেসেঞ্জরশিংনা অসিগুম্বা ফোর্মশিংগী কষ্টমস ষ্টাম্প লৌগনি অমসুং মদু অতৈ দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা আর বি আই ওফিসশিংদা সবমিট তৌগনি।

*নহাক হৌজিকসু*
*ইন্দিয়াদা থুংলবদা*
*স্পেসিফাইদ বেঙ্ক নোটশিং*
*দিপোজিট তৌবগী মতম লৈরি।*

davp 15502/13/0075/1617



দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ টেক্সপেয়র সার্ভিসেস
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সসাইজ এন্দ কষ্টমস
www.cbec.gov.in
ঐখোয়বু থীবিরকউ : cbec_India